# ৫শুবা ষ্টেট লেভেল এল রাজবাপু ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ফাইনেলদা ৱাই এম দি ওগা বাখেগা লম্বা থেংনরগনি





ইম্ফাল , মার্চ ২০ঃ

য়ং মেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন নাওরিয়া পাখং লাকপা লৈকায় হৈরাঙ্গোইথোংনা শিন্দুনা টিম ৮না শরুক য়াদুনা ৱাই এম দি ও গ্রাউন্দ হৈরাঙ্গোইথোং দা চথরিবা ৫শুবা ষ্টেট লেভেল এল রাজবাপু শর্মা মেমোরিয়েল জুনিয়ার বোইজ কেস প্রাইজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অনিদা বাখে সনাকৈথেলগা ৱাই এম দি ও হৈরাংগোইথোংগা মায় পাকখিবগা লোয়ননা টিম অনি অসিনা ফাইনেলদা লম্বা থেংনরগনি। চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা বাখে সনাকৈথেলগা এস দি সি সামুরৌগা লম্বা তৌন্দুনা শান্নবদা বাখেনা সেট ৩–১ (২৫–৯, ২৬–২৮,২৫–২২, ২৫–১৬) দা থোইখ্রে। অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই এম দি ও হৈরাংগোইথোংগা এন ৱাই ভি এ (এ)গা লম্বা তৌ- দুনা শান্নবদা ৱাই এম দি ওনা সেট ৩–০ (২৫–২১, ২৫–১৫, ২৫–১০)দা থোইখ্রে। থা অসিগী ২২দা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচতা ৱাই এম দি ও হৈরাংগোইথোংগা বাখ্রে সনাকৈথেলগা লম্বা তৌনরগনি।

# এমএমএ প্রোফেসনেল ফাইটর রোসন মাইনাম ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে





ইম্ফাল , মার্চ ২০ঃ

বৃটিস ব্যুজিনেসমেন এন্দ স্পোর্টস ইনথুসিএষ্ট বিল দোসাঞ্জ অমদি বৃটিস প্রোফেসনেল বোক্সর অমা ওইনা শকখঙলবা, ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা অমির খাননা প্রোমোট তৌদুনা লক্ষ্মি নগর মুম্বাইগী ফর্মর ষ্টুদিও লিমিটেদ হোলদা, মমাং থা ফেব্রুৱারি ৯ দগী মার্চ ১৭ ফাওবা চথরকখিবা মিক্স মার্সিএল আর্টস টুর্নামেন্ট সুপর ফাইট লীগতা শরুক য়াদুনা মণিপুর মচা প্রোফেসনেল এমএমএ ফাইটর রোসন মাইনাম ঙসি মণিপুরদা থোক্লকখিবগা লোয়ননা মহাকপু মহাক্কী পোক্কফম লমদম থৌবালদা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

হরিয়ানা সুলতান টিমদা শরুক য়াদুনা লীগ অসিদা রোসননা মুম্বাই মেনিয়াক্সগী এলেক্ট কেলভিন গুপ্তবু মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি। অদুবু দোক্টর গী এদভাইস মতুং ইন্না মখা তানা লীগ অসিদা অতৈ ফাইটশিং শান্নখিদবনি।

মশান্না অসিদা মণিপুরগী ওইনা শকখঙলবা শান্নরোই সেনাপাটিগী মাওদগী কেরিও ইসেক গিভহেক মথাং রোসনা অনীশুবা শান্নরোই ওইরি।

রোসন রেস্লর শান্নরোই অমা ওইনা লৈরম্বদগী হৌখিবা চহি ২০১৫ দগী মশান্না অসিদা চঙখিবনি অমদি চহি অদুমক্তদা এমেচর নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রে। লোয়ননা ইং ২০১৬ কী নভেম্বর ৫ দা পাঙথোকখিবা প্রোফেসনেল জেএসজে ফাইট লীগতা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবদগী ইন্টরনেসনেল সুপর ফাইট লীগকীদমক ক্বালিফাইদ ওইরকখিবনি।

রোসন থৌবাল ৱাংঙামাতাবা মথক লৈকায়দগী মাইনাম শ্যামকানহাই অমদি ইবেমচা গী মচানি। ৱাংঙামাতাবা য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা মণিপুরদা তাংনা লৈরিবা শান্নরোই অসিবু ওকপগী থৌরমদা টিএমসি গী ভাইস চিয়রপর্সন একে সনাতোম্বা, মেম্বর এল বিগেন অমদি শান্নরোই অসিগী ওঝা এন হেমন্দ্রো না অথোইবা মীথুং লেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

রোসননা ফোঙদোকখিবদা হন্দক পাঙথোকখিবা লীগ অসিদা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা মহাক অমদি অসামদগী অমগা মীওই অনীখক শরুক য়াবা ঙমখি। মশান্না অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই কয়া লৈতবা অমদি অসিগুম্লবা প্রোফেসনেল ওইবা মশান্না অসি য়াম্না চাওথোকচনিঙাই ওইবা মশান্না অমনি হায়না খনবদগী মশান্না অসি শান্নবা হৌখিবনি অমদি মণিপুর মচা অমা ওইনা শরুক য়াবা ফঙবগী নুংঙাইজবা কয়া ফাওই হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মশান্না অসিদা পামজবা শান্নরোই কয়াবুসু মতেং পাংনিংবগী অপাম্বা রোসননা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

# এফ সি লম্লাই ট্রোফি ৱাই এম সি, ৱাই দি সি এল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২০ঃ

এফ সি লম্লাইনা শিল্লগা লম্লাই ষ্টুদেন্ট আইদিয়েল ক্লবনা পুথোক্তুনা টিম ২০না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা লম্লাই ষ্টুদেন্ট আইদিয়েল ক্লবকী শান্নবুংদা চথরিবা এফ সি লম্লাই ট্রোফি, ২শুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিল্লেজ ৱাইস ৱিথ ইনভাইটিস ওফ ওদর কেন্দ্র মেন্স ওপন সেভেন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনিদা ৱাই এম সি হরাওরোক অমদি ৱাই দি সি এল পুংদোংবম মায় পাকখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা মেটচতা ৱাই এম সি হরাওরোকক ৱাইয়ো সঞ্জেনবমগা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা ৱাই এম সি হরাওরোকনা গোল ১–০দা থোইখি। মেটচ অসিদা ৱাই এম সিগী অমত্তা ঙায়রবা গোল এন অবিনাসনা মেটচকী মিনট ৩৬ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেটচ ওইনা ৱাই দি সি এল পুংদোংবমগা এস টি টি সেক্তাগা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা ৱাই দি সি এলনা গোল ৩–২দা থোইখ্রে।

মেটচ অসিদা ৱাই দি সি এল পুংদোংবমগী গোল ৩ ঐচ তেলহৈবনা মেটচকী মিনট ১৯ অমসুং ২৮ চৎপদা গোল ২ অমদি ঐচ পোরৈতোননা মেটচকী মিনট ২৭ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা এস টি টি সেক্তাগী গোল ২ এল রোবিনসননা মেটচকী মিনট ৩৮ চৎপদা গোল ১ অমদি ৱাই বিগ্যানন্দনা মেটচকী মিনট ৪০ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

# ৪শুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ দব্লিউ ৱাই সিনা পি এস সিবু ৱিকেট ৭তা থোইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২০ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টিম ২১না শরুক য়াদুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরকখিবগা লোয়ননা নোং–চিংনা মরম ওইদুনা মতম খরা শান্নবা লেপ্লুরবা ৪শুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ দব্লিউ ৱাই সি ৱাংখেমনা পি এস সি খোয়াথোংবু ৱিকেট ৭তা থোইখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি এস সি খোয়াথোংগা দব্লিউ ৱাই সি ৱাংখেমগা লম্বা তৌনবদা পি এস সি খোয়াথোংনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ৩০দা ওল আউৎ ওইরগা রন ১১৮ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা দব্লিউ ৱাই সি ৱাংখেমনা বেট্টিং তৌবদা ওভর ২৩.৩দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১২০ স্কোর তৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৭তা মায় পাকখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি এস সি খোয়াথোংগী সৌরব বিশ্বাসনা বোল ৫৬ মায়োক্লবদা রন ৫১, রাকেসনা আউৎ ওইদনা বোল ২৭তা রন ১৯ অমদি প্রতিয়ুস বোল ১৬তা রন ৬ চেনখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা দব্লিউ ৱাই সি ৱাংখেমগী অনকুস বেগলনা ওভর ৬তা ৱিকেট ৩, হরিৎ দিপানকরনা ওভর ৪দা ৱিকেট ৩ অমদি কমলপ্রিৎনা ওভর ৫দা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা দব্লিউ ৱাই সি ৱাংখেমগী বেটসমেন হরিৎ দিপানকরনা বোল ৩০ মায়োক্লবদা রন ৩৮, হেরোকুমারনা বোল ৩৮দা রন ৩৪, সামুঙৌনা বোল ২৫দা রন ২০ অমদি লক্ষমননা বোল ৩৩দা রন ১৪ চেনখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা বুংরাজনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ২ অমদি কেন্নিনা ওভর ৫দা ৱিকেট ১গা লৌখি।

মেটচ অসিদা দব্লিউ ৱাই সি ৱাংখেমগী হরিৎ দিপানকরনা রন ৩৮গা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

# ৬শুবা টি–২০ মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২০ঃ

মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ৮ গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ওরিয়েন্তেল কলেজ অমদি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা নপসা খা–ইম্ফালবু ৱিকেট ৮দা মায়থিবা পিরম্লগা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে। থা অসিগী ২২দা শান্নগদবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগা সি সি সি চজিংগা অমদি থা অসিগী ২৩দা শান্নগদবা অনিশুবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা কে এস সি ওল্ড লম্বুলেনগা লম্বা তৌনরগনি।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা নপসা খা–ইম্ফালগা লম্বা তৌনবদা নপসানা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১০৩ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা বেট্টিং তৌবদা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১০৪ স্কোর তৌরগা ৱিকেট ৮দা নপসাবু মায়থিবা পিখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা নপসা খা–ইম্ফালগী বেটসমেন রতননা বোল ২৮ মায়োক্লবদা রন ২০, গৌতমনা বোল ২২দা রন ১৫, সুর্জিৎনা বোল ৯দা রন ১৪ অমদি সোমেন্দ্রোনা বোল ১৩দা রন ১৩ চেনখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী চিঐচ কুমারনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২, প্রেমচান্দনা ওভর ৩দা ৱিকেট ১, প্রিয়োকুমারনা ওভর ৪দা ৱিকেট ১ অমদি গোজেননা ওভর ৪দা ৱিকেট ১গা লৌখি।

অশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী গোজেন্দ্রানা বোল ৪৫ মায়োক্লবদা রন ৩৮, সচিকান্তানা বোল ২২দা রন ৩৫, কুমার্জিৎনা বোল ১৬তা রন ১৮ অমদি মনাওবিনা বোল ১০দা রন ৮ চেনখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা নপসা খা–ইম্ফালগী হিমৎনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ অমদি ভোগেন্দ্রানা ওভর ৪দা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী গোজেন্দ্রোনা রন ৩৮ চেনবগা লোয়ননা ৱিকেট ১ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রে।

# ৩৫শুবা সেনিয়র নেসনেল নেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে

ইম্ফাল , মার্চ ২০ঃ

থা অসিগী ২৭তগী ৩০ ফাওবা পঞ্জাবতা লৈবা মোহালিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৫শুব সেনিয়র নেসনেল নেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ (মেন এন্দ ৱুমেন)তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোই মণিপুর নেটবোল এসোসিয়েসনগী সেলেক্সন কম্মিটিনা খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোইশিং অসি মখোয় মখোয়গী পংচুএল্লিটি, দিসিপ্লিন অমদি পর্ফোমেন্সতা বেজ তৌদুনা খনবনি। খল্লবা নুপামচা শান্নরোইশিং অদুদি পিৱাইও ক্লবতগী আই জিওর অমদি ও রেবন্ত সিংহ, দিবিএস ক্লবতগী দব্লিউ রোজিৎ, য়ুৱাইসি ক্লবতগী এল বিকাস, এলকেৱাইদিএ ক্লবতগী ই নেপোলিওন, ৱাইওএসসি ক্লবতগী সিঐচ কেতঞ্জিৎ, এমপিসি ক্লবতগী এল জোনি, এলএমৱাইভিএ ক্লবতগী এম অকাস, য়ু দিপাক, অমদি কে বিকেস, কেআইৱাইসি এমদি য়সির, এনৱাইদিএ ক্লবতগী এন মোতিলাল নি। ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়াগদবা মীওইশিং দি মেনেজরদা এল সন্তাকিশ্বর সিংহ অমদি কোচতা মেঘাচন্দ্র সিংহ নি।

খল্লবা নুপীমচা শান্নরোইশিং অদুদি এবিএ ক্লবতগী নগামা সৈক, এসদিও ক্লবতগী শ্রীলি ইরোম অমদি ঐচ সিজপ্রিয়ারি, ৱাইপিসি ক্লবতগী লৈমা, ৱাইএসি ক্লবতগী মিনর্ভা, ওএলএ ক্লবতগী এল সেহা, এসইৱাইও ক্লবতগী হেলিদা ঐচ, ইএসয়ু ক্লবতগী নিকি এম অমদি বিন্দিয়া কে, ৱাইএসি ক্লবতগী মোনাসপ্রিটি ঐচ, টিৱাইসি ক্লবতগী ধনাপিয়ারি, ৱাইএসএসসি ক্লবতগী মালেমঙম্বী টি ঐচ নি। ওফিসিয়েলশিংদা মেনেজরদা কে ঐচ রতন সিংহ অমদি কোচতা আই মোধুবালা না নি।

# স্পেসিয়েল ওলিম্পিক্স ৱার্ল্ড সম্মর গেমসতা শরুক য়াগদবা মণিপুর শান্নরোই হেরোজিৎ অমদি কোচ বিশ্বরজিৎ ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল , মার্চ ২০ঃ

থা অসিগী ২৪দগী ২৯ ফাওবা হারিয়াদা লৈবা গুরগাওদা পাঙথোক্কদৌরিবা স্পেসিয়েল ওলিম্পিক্স ৱার্ল্ড সম্মর গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াদবা অসিগীদমক স্পেসিয়েল ওলম্পিক্স ভারতকী ফার্ষ্ট প্রিপেরেটরি কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী এথলেট এন হেরোজিৎ সিংহ অমদি কোচ বিশ্বরজিৎ ওইনাম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

# ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল , মার্চ ২০ঃ

মহৌশাগুম ওফা কপ ২০১৮ ৯–এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট চহি অসিগী এপ্রিল ৪ দগী ওফা শান্নবুং, পুংদোংবমদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওনিংবা শান্নরোইশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইরিবা মেনেজর কে ঐচ চাওবদগী খঙবা য়াগনি হায়না ওফা পুংদোংবমগী সেক্রেটরীনা খঙহল্লক্লি।

# জিরিবাম অর্চরি এসোসিয়েসন শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ঃ

ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ওফিসতা জিরিবাম ওলিম্পিক এসোসিয়েসন, জিরিবাম গী ভাইস প্রসিদেন্ট এস মনিতোন সিংহনা চিয়র লৌদুনা জিরিবাম অর্চরি এসোসিয়েসন কৌবা এসোসিয়েসন অমা শেমখ্রে। পুন্না মেম্বর ১৫ না শেম্বা এক্সিক্যুটিব বোদি মেম্বরশিং চহি ২ / ২ গী তার্ম পুগনি হায়রি। নৌনা খল্লবা মেম্বরশিং অদুদি সি ঐচ বিরেন সিংহনা প্রসিদেন্ট, এল প্রোজিৎ সিংহঅমদি তাপোসরাইনা ভাইস প্রসিদেন্ট, এম ব্রোজেন সিংহনা জেনরেল সেক্রেটরী, এল মাদনমোহন সিংহ অমদি জি ইবোহল শর্মানা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী, টি ঐচ জয়কুমার সিংহনা ত্রেজরর অমসুং মেম্বর ৮ শিংসু মীফম্না খনখি।

# ৫৮শুবা সেনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া কন্টেষ্টতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ঃ

থা অসিগী ২৩ অমদি ২৪ দা পুনেগী রমায়ান মাইদেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৮শুবা সেনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া কন্টেষ্ট ২০১৮ দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি পুনেগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং অদুদি– এন জয় মৈতৈ (কেজি ৫৫), এম সৌলিন সিংহ (কেজি ৮০) নি। ওফিসিয়েলদা এম দেভেন (মেনেজর), এন জি নবচন্দ্র (এসিষ্টেন্ট মেনেজর) অমদি বিপিন (কোচ) না লুচিংলি হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিংগী জোইন্ট সেক্রেটরী ও প্রেমকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লক্লি।

# প্রাইভেট স্পোর্টস একাদেমী গুৱাহাটিগীদমক পাঙথোকখিবা ট্রাইয়েল সেলেক্সনগী ফল হায়দোক্লে

ইম্ফাল , মার্চ ২০ঃ

থা অসিগী ১৭ দা প্রাইভেট স্পোর্টস একাদেমীগীদমক ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোকখি অদুগী ফল হায়দোক্লে। খল্লবা ষ্টুদেন্টশিংগী অদুদি ফুটবোলগীদা টি ঐচ রোনাল্ডো মৈতৈ, টি ঐচ ইন্দ্রমানি মৈতৈ, এমদি রোসন খেক, এস ঐচ জুপিটর সিংহ, য়োহেনবা কাংগুজম, এমদি অকিপ, এল লেনি সিংহ, এন বোরিস, এলেক্স কৈশাম, এস দমেস সিংহ, এমদি দৱুদ খান, নোংথোন ওইনাম, ৱাই হরুল সিংহ, এন বিকাস সিংহ, এন রোহন সিংহ, ভিনসেন্ট কাংগুজম, ভেসিন সাপম, অৱানেদা কাংগুজম, এমকে অসাদ অহমাই, রোংমৈ পৌজাই, কে ঐচ রোসন সিংহ, লুনদি অকোইজম, কে ঐচ জকির, ৱাই ফেন্সিও, এল সিনদি সিংহ নি।

বোক্সিংদা কোন্থৌজম য়াইলেম্বা অমদি টি ঐচ বিনান্দ্র সিংহ নি।

মথক্তা পল্লিবা খল্লবা ষ্টুদেন্টশিংনা প্রাইভেট স্পোর্টস একাদেমী গুৱাহাটি অমদি দি স্পোর্টস এন্দ এদুকেসন সেন্টর পোইরৌখোনজিনদা পাউ ফাওনবীয়ু অমদি মীং চনবগী মতমদি থা অসিগী ২১ দগী ২০ ফাওবনি হায়রি। ক্লাস টেন এক্সাম থারিবা ষ্টুদেন্টশিংসু একাদেমী গুৱাহাটিগী লৌজগনি হায়না স্পোর্টস এন্দ এদুকেসনগী সেক্রেটরীনা খঙহল্লক্লি।

# অনীশুবা ৱিন্টর এয়র ৱিপন সুটিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল , মার্চ ২০ঃ

চহি অসিগী এপ্রিল ২৯ দগী মে ১ ফাওবা ইম্ফালদা লৈবা খুমন লম্পাক সুটিং রেজতা অনীশুবা ৱিন্টর এয়র ৱিপন সুটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা থৱায় য়াওবা সুটরশিংনা দরকার ওইবা ইন্ত্রি ফি চহি অসিগী এপ্রিল ২২ অয়ুক পুং ৬ তগী ৯.৩০ ফাওবগী মনুংদা টুর্নামেন্ট অসিগী মেনেজর এল কুল্লাবন্ত সিংহদা পীশিবিরক্কদবনি হায়না মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসন (ইম্ফাল০ গী সেক্রেটরীনা এন রাজেন্দ্রো সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা খঙহল্লক্লি।

# দিফরেন্টলি এবলশিংগী ষ্টেট গেমস পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল , মার্চ ২০ঃ

গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা স্পেসিয়েল ওলিম্পিক ভারত মণিপুর চেপ্টরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৩ দগী ২৬ ফাওবা ইম্ফালদা লৈবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা দিফরেন্টলি এবলশিংগী ওইবা ষ্টেট গেমস পাঙথোক্লগনি। ষ্টেট গেমস অসিদা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৫ কোনশিনদুনা পাঙথোকনি। দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং অমদি থৌবাল নি।

গেমস অসি এথলেটিক, বেদমিন্টন, বিওসিসিই, ফুটবোল, টেবল টেন্নিস অমদি য়ুনিফাই স্পোর্টস মশান্নদা পাঙথোক্কনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*